# নুংশিৎ মোৎপা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা মালেমদা খ্বাইদগী মকোক ইথং থংনা লৈরি

ন্যু দিল্লি, মে ০২ (এজেন্সি): ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী গ্লোবেল এয়র পোল্যুসন দেটা বেজ মতুংইন্না মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ঈশিং-নুংশিৎ মোৎপা সিটি ১৫ গী মনুংদা ১৪ দি ইন্দিয়াদা লৈ হায়রি।

ইন্দিয়াগী ওইনা নুংশিৎ খ্বাইদগী মোৎপা সিটিদি কানপুরনি। সিটি অসিগী মথংদা নুংশিৎ খ্বাইদগী মোৎপা অতৈ মফমশিংদি ফরিদবাদ, বরানাসি অমসুং গয়ানি। নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপা পার্টিক্যুলেট মেটর ২.৫ হেনবা অতৈ মফমশিংদি দিল্লি, পত্না, অগ্রা, মুজাফরপুর, শ্রীনগর, গুরগাউন, জয়পুর, পটিয়ালা অমসুং যোধপুরনি।



ইন্দিয়াগী ফাইনান্সিএল কেপিটেল ওইরিবা মুম্বাইনা মালেমদা মরিশুবা নুংশিৎ খ্বাইদগী মোৎপা সিটিনি। কুমজা ২০১০ দগী হৌরগা কুমজা ২০১৬ ফাওবা চথুখিবা ষ্টদি অমদগী ৱাফম অসি খঙবা ঙম্লকখিবনি।

ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, মালেমগী ওইনা মীওই ১০ গী মনুংদা ৯ দি অশেংবা নুংশিৎতা নুংশা হোনবা ফংদ্রে। মদুনা মরম ওইরগা কুমজা ২০১৬ তা মীওই লাখ ৪২ শিহনখি। য়ুমথোঙ অয়াম্বদা শীং মৈ থারগা চাক থোংবা অমসুং অতৈ নুংশিৎ মোৎহনবা য়াবা থৌওং কয়া চথবনা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মীওই লাখ ৩৮ মালেমদা শিহনখি হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

এয়র পোল্যুসনগা মরী লৈননা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিরিবা লৈবাক অয়াম্বা এসিয়া অমদি অফ্রিকাদা লৈ। নুংশিৎ মোৎশিল্লকপনা মীওইবা খুন্নাইদা অচৌবা চৈথেং অমা পীবা তারবসু খ্বাইদগী ফীভম শোক্লিবসি লায়রবা মীওইশিংনি হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী মকোক টেদ্রোস এধানোমনা ফোঙদোকখি।

দব্লিয়ু ঐচ ওগী রিপোর্টনা হায়খি, নুংশিৎ মোৎশিল্লকপনা মরম ওইরগা থম্মোয়গী লায়না, ষ্ট্রোক অমদি ক্রোনিক ওবষ্ট্রক্টিব পলমোনরি দিজিজ নাবগী চাং ৱাংখৎলকখি। মসিগীসু মথক্তা কনাগুম্বা মীওই খরদদি লংস কেন্সর ওইহল্লকপা য়াওই।

দব্লিয়ু ঐচ ওনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১০৮ গী সিটি ৪,৩০০ দা নুংশিৎকী ফীভম য়েংশিল্লবা মতুংদা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

দিল্লিনা মালেমদা নুংশিৎ খ্বাইদগী মোৎপা সিটি ওইদবা তারবসু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক্তা অদুম্মক লৈরি। কুমজা ২০১৬ তা দব্লিয়ু ঐচ ওনা থাদোরকখিবা রিপোর্টতা দিল্লিনা মালেমদা ৬ শুবা নুংশিৎ খ্বাইদগী মোৎপা সিটি ওইখি।

নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী থৌওং অসি নেসনল পব্লিক হেল্‌ঠ ক্রাইসিস ওইনা লৌবগা লোয়নননা হিরম অসিগী মতাংদা অনৌবা থৌশিল শেম্বা মথৌ তারে হায়না সেন্টর ফোর সাইন্স এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট (সী এস ঈ) গী এগজিক্যুটিব দিরেক্টর অনুমিটা রোয় চৌধরিনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১০ দদি দিল্লিনা মালেমদা নুংশিৎ খ্বাইদগী মোৎপা সিটি ওইখিবনি। পেসৱার অমসুং রৱালপিন্দিনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবদা লৈখি। কুমজা ২০১১ দসু মালেমগী নুংশিৎ খ্বাইদগী মোৎপা সিটি খনগৎপদা দিল্লি অমসুং অগ্রা য়াওখি। কুমজা ২০১৩, ২০১৪ অমসুং ২০১৫ দা ইন্দিয়াগী সিটি মরিদগীনা তরেৎ ফাওবা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী নুংশিৎ মোৎপা সিটি ২০ গী মনুং চনখি। কুমজা ২০১৬ তদি খ্বাইদগী নুংশিৎ মোৎপা সিটি ১৫ খনগৎপগী মনুংদা ১৪ দি ইন্দিয়াগী সিটি ঙাক্তনি। সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা হিরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রবনি।

# সুপ্রীম কোর্টকী কোলেজিয়মনা অরোইবা ৱারেপ লৌবা ঙমদ্রি

ন্যু দিল্লি, মে ০২ (এজেন্সি): খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা জজ মঙানা শাবা সুপ্রীম কোর্টকী কোলেজিয়মনা জষ্টিস কে এম জোসেফ এপেক্স কোর্টকী জজ ওইহনবগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌবা ঙমদ্রি।





চীফ জষ্টিস দিপক মিশ্রা, জষ্টিস জে চেলামেশ্বর, জষ্টিস রঞ্জন গোগোই, জষ্টিস মদন বি লোকুর অমদি জষ্টিস কুরিয়ন জোসেফনা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা জষ্টিস কে এম জোসেফ অমদি অতৈ হায় কোর্টকী জজ খরা সুপ্রীম কোর্টকী জজ ওইনা পুখৎপগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌবা ঙমখিদ্রে।

ছোর্স অমনা এন দি টি ভিদা হায়খি মদুদি, কোলেজিয়মনা মথংগী মীফমদা হিরম অসিগা মরী লৈননা অরোইবা ৱারেপ লৌবগী মতাংদা য়ানখ্রে। সুপ্রীম কোর্টকী হাংদুনা লৈরিবা জজশিংগী ফম মেনশিন্নবগী পান্দমদা কোলেজিয়মনা কলকাটা, রাজস্থান অমদি টেলঙ্গনা এন্দ অন্ধ্র প্রদেশ হায় কোর্টকী জজ খরগী মিং পুথোক্তুনা খন্নখি।

উত্তরখন্দগী চীফ জষ্টিস কে এম জোসেফপু রিজেক্ট তৌখিবগী মরম পীরদুনা সেন্টরনা হায়খিবনি মদুদি, অতৈ হায় কোর্ট অয়াম্বা হুন্দোক্লম্লগা কেরলা হায় কোর্টকী জজ অনী সুপ্রীম কোর্টতা পুখৎপা মরম চাদে। খ্বাইদগী সিনিয়র ওইবা হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিসশিং কাম্থোক্লগা জোসেফ পুখৎপা মরম চাদে হায়নসু সেন্টরনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কোলেজিয়মগী ৱাফম থৌশাখিদবগী থৌওং অদু জুদিসয়রিগী মনিং তম্বদা অতম্মনা শিংনবনি হায়না লৌখি। কুমজা ২০১৬ তা উত্তরখন্দদা প্রসিদেন্টস রুল থম্নবা থৌরাং অয়াবা পীখিদে হায়বগীদমক জষ্টিস জোসেফপু সুপ্রীম কোর্টকী জজ ওইনা পুখৎখিদবনি হায়নসু লৌনরি।

হিরম অসিগী মতাংদা লো মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা হায়খি, কনষ্টিট্যুসনগী মতুংইন্না কোলেজিয়মনা পুখৎলকপা ৱাফম সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অমুক হন্না খন্ননবা মরী লৈনবশিংদা থাদবা ঙম্বগী রাইট লৈ।

# ট্রেনদা এয়রলাইনগী মওং লৌরগা চান-থক্লবা পোৎলম ফংহনগদৌরি

ন্যু দিল্লি, মে ০২ (এজেন্সি): ইন্দিয়ন রেলৱেনা ট্রেনশিংদা এয়রলাইন কেটরিং মোদেল লৌরগা চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি।



ট্রেন তোংদুনা চৎলিবা পেসেঞ্জর-শিংদা অফবা চীঞ্জাক ফংহন্নবগী পান্দমদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎ-লকপনি। ছোর্স অমনা এজেন্সীদা হায়খি, ফ্লাইট সার্ভিস অয়াম্বদা পেক তৌরবা চীঞ্জাক য়েম্থোকপগী মওংদা ট্রেন তোংলিবা মীওইশিংদসু পেক তৌরবা মিনি মিল য়েম্থোক্লবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

শটাবদি এক্সপ্রেসকুম্বা আই আর সী টি সীগী কেটরিং সার্ভিস তৌবা ট্রেনশিংদা খুদোংচাবা অসি ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না রেলৱেজগী সিনিয়র ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা পুং ৫ দগী ৬ ফাওবা ট্রেন তোংদুনা চৎপা পেসেঞ্জরশিংদা পেক তৌরবা চীঞ্জাক য়েম্থোকপগী থৌরাং লৌখৎকদৌরি। থৌরাং অসিগা মরী লৈননা রেলৱে বোর্দনা মমিং লৈরবা কেটরর অমদি কম্পেনিশিংগা ৱারী শানবা হৌখ্রে। হায়রিবা কম্পেনিশিং অদুগী মনুংদা টি এফ এস, হল্দিরাম, আই টি সী অমসুং এম টি আর য়াওরি।

কনাগুম্বনা ট্রেন টিকেট ককপা মতমদা করম্বা মখলগী চীঞ্জাক চাগদগে হায়বদু মাঙজৌননা ফোঙদোকপা মথৌ তারগনি। পেসেঞ্জরশিংনা চাগদবা চীঞ্জাক্কী মতুংইন্না টিকেটকী মথক্তা চীঞ্জাক্কী অহেনবা শেনফম লৌরগনি।

কনাগুম্বনা মনা-মশিংগী চীঞ্জাক চাগে হায়রবদি লুপা ৭০ দগীনা ৮০ ফাওবা লৌগনি। শা-ঙা চাগে হায়রগনা লুপা ১৪০ দগীনা ১৫০ ফাওবা অহেনবা শেনফম লৌরগনি হায়রি। মসিগী মথক্তা অহেনবা ওইনা অতোপ্পা চীঞ্জাক লৈজগে হায়রবদি তোখায়না শেল পীগদবনি।

# জর্নেলিষ্ট জ্যোতিরমোই দে হাৎখিবগী মরালদা ছোটা রাজন, অতোপ্পা মীওই ৭ পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীখ্রে

মুম্বাই, মে ০২ (এজেন্সি): ভেটেরান জর্নেলিষ্ট জ্যোতিরমোই দে হাৎখিবগী মতাংদা ছোটা রাজন অমদি অতোপ্পা মীওই তরেৎ পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা মুম্বাইগী কোর্ট অমনা ৱায়েল পীখ্রে।



কেস অসিদা চেন্নবা হান্নগী জর্নেলিষ্ট জিগনা বোরাদি মতিক চাবা খুদম চাংদম ফংদে হায়বগীদমক কোর্টনা মরাল লৈতে হায়না থাদোকখি। অতোপ্পা মীওই ৮ সু কেস অসিদা মরাল লৈরে হায়না কোর্টনা লাউথোকখি। মিদ দে ইভনিং দেলি পেপরদা ক্রাইম রিপোর্টর ওইনা থবক তৌবা জ্যোতিরমোই দে (৫৬) পু কুমজা ২০১১ গী জুনদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। ছোটা রাজনগী য়াথং মতুংইন্না পাউমী অদু হাৎখিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

হুরান-চিন্থিগী থবক তৌবা গেংষ্টর ২০ গী মরমদা রিপোর্ট অমা শেম-শারগা পাউচেদা ফোংনবা থৌরাং তৌরিঙৈগী চৈরক্তা জ্যোতিরমোই দেবু ছোটা রাজনগী য়াথং মতুংইন্না নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি হায়না মরাল শিরি।

অশেংবা মমিং রাজেন্দ্র এস নিখলজি কৌবা ছোটা রাজননা লুপা লাখ ৫ পীদুনা মীওই অমা নেল্লগা পাউমী অদু হাৎহনখিবনি হায়না পুলিসনা মরাল শিখি।

জুন ১১ দা জ্যোতিরমোই দেনা ময়ুমদা হল্লকপগী লম্বীদা পোৱাইগী কৈথেল অমা য়ৌরকপদা শকখঙদব-শিংনা মহাকপু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি। পাউমী হাৎখিবগী থৌদোক অদু সী সী টি ভি কেমেরাদা ময়েক শেংনা রেকোর্দ তৌহৌখি। ছটিস কালিয়া কৌবা মীওই অমনা জ্যোতিরমোই দেবু রিভোলবরনা মঙারক কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌদোক সী সী টি ভি কেমেরাদা রেকোর্দ তৌহৌখি।

মীহাৎ অদু চথরম্লবা মতুংদা কর্নাটাকা অমদি তামিল নাদুদা চেনখিবা মরাল লৈরবা মীওইশিং রামেশ্বরম, সোলাপুর অমদি মুম্বাইদগী ফাখি। পুলিসনা মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা এসিয়ান এজদা পাউমী ওইবা জিগনা বোরাসু ফাখি। শিনফমগী ওইবা য়েংথিনবগী থৌদোক অমনা মরম ওইরগা জিগনা বোরানা ছোটা রাজনদা ইনশিল্লগা জ্যোতিরমোই দে হাৎহনখিবনি হায়না মরাল শিখি।

বোরানদি ৱাফম অসি অরানবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা হায়খি মদুদি, মরুওইবা পাউ অমা ফোংনবগীদমক ছোটা রাজনগা উন্দুনা ইন্টর্ভিয়ু লৌনবগী মতাংদা গেংষ্টর অসিদা টেলিফোন তৌখিবনি। কনাগুম্বা মীওই অমত্তা হাৎহন্নবা ছোটা রাজনদা ইনশিনখিবা লৈতে।

কুমজা ২০১৫ গী নবেম্বরদা ছোটা রাজনবু ইন্দোনেসিয়াগী বালিদগী পুরক্লগা কেস অসিগী মতাংদা ট্রাইএল চথদুনা লাকখিবনি। হৌজিকসু মহাক দিল্লিগী টিহার জেলদা থল্লি।

মমাঙদা মুম্বাইগী কোর্টনা হান্নগী পাউমী জিগনা বোরাবু জ্যোতিরমোই দে মীহাৎকা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

এসিয়ন এজগী দেপ্যুটি চীফ ওফ ব্যুরো ওইবা জিগনা বোরাবু কেস অসিগা মরী লৈননা কুমজা ২০১১ গী নবেম্বরদা পুলিসনা ফাখি। মহারাষ্ট্রা কন্ট্রোল ওফ ওর্গনাইজ ক্রাইম এক্ট (এম সী ও সী এ) গী মখাদা মহাকপু ফারগা জেলদা থমখি। ছোটা রাজনগা টেলিফোন্দা কয়ারক হন্না ৱারী শানখি হায়বগীদমক জিগনা বোরা ফাখিবনি।

# সী বি আইনা অল্লাহবাদ হায় কোর্টতা উনাও রেপ কেসকী ষ্টেটস রিপোর্ট পীশিনখ্রে

অল্লাহবাদ, মে ০২ (এজেন্সি): সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না অল্লাহবাদ হায় কোর্টতা উনাও রেপ কেসকী ষ্টেটস রিপোর্ট পীশিনখিবগা লোয়নননা কেস অসি লখনৌনা ট্রান্সফর তৌবীনবা হায়জখ্রে।

চীফ জষ্টিস দি বি বোসলে অমসুং জষ্টিস সুনিট কুমারগী বেঞ্চতা সিল তৌরবা রিপোর্ট অদু পীশিনখিবনি। কেস অসি উনাওদগী লখনৌদা ট্রান্সফর তৌবীনবগী ৱারোল য়াওবা এপ্লিকেসন অমসু সী বি আইনা কোর্টতা পীশিনখি।

এপ্রিল ১৩ দা হায় কোর্টনা উনাও রেপ কেসকী মতাংদা ষ্টেটস রিপোর্ট অমা মে ২ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্নবা সী বি আইদা খঙহনখি। মে ২১ দা কেস অসিগা মরী লৈননা মথংগী হিয়ারিং চথনবা মতম লেপখ্রে।

চৈরকসিদা, ভিক্টিমগী অপোকপীনা পিন্তু সিংহগী খোঙ্গুল লিবীনবা পিটিসন অমা ফাইল তৌখ্রে। মরাইবক থীখ্রবী নুপীমচা অদুগী অপোকপদা আর্মস এক্টকী মখাদা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখিবগীদমক পিন্তু সিংহগী খোঙ্গুল লিবীনবা কোর্টতা হায়জখিবনি।

কুলদিপ সিংহ সেঙ্গার কৌবা বি জে পিগী এম এল এ অমনা মশাগী চহী ১৭ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা ফম্লানখিবগী মতাংদা কেস অসি চথরকখিবনি। নুপীমচাগী অপোকপা এম এল এগী মীওইশিংনা ফুবদা লৈখিদ্রবনি। মমাঙদা বি জে পিগী এম এল এ কুলদিপ সিংহ সেঙ্গার ফাবা ঙমদবগী মতাংদা অল্লাহবাদ হায় কোর্টনা উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

কেস অসিগী হিয়ারিং চথরকপদা উত্তর প্রদেশকী এদভোকেট জেনরেল রঘবেন্দ্র সিংহনা কোর্টতা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০১৭ কী ওগষ্ট ১৭ তা চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসতা এপ্লিকেসন অমা থারকখিবগা লোয়নননা উনাও দিষ্ট্রিক্টকী বি জে পিগী এম এল এ সেঙ্গারগী মথক্তা রেপকী মরাল শিরকখি।

এপ্লিকেসন অদু উনাও দিষ্ট্রিক্টকী মরী লৈনবা ওফিসরশিংদা খুৎশিন্ন-খিবগা লোয়নননা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং লৌখৎনবা খঙহনখি। চীফ জষ্টিস দিলিপ বাবা সাহেব বোসলে অমসুং জষ্টিস সুনিট কুমারগী দিভিজন বেঞ্চ অসিগা মরী লৈননা কনা কনা ফাবা লৈবগে হায়না হংখিবদা এদভোকেট জেনরেলনা এম এল এগী মনাওনুপা য়াওনা মীওই অহুম ফারে হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু মপুং ওইনা চেন্নরিবা এম এল এ ফাবা ঙমদবগী মতাংদা কোর্টনা য়ু পি গভর্ণমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) গী রিপোর্ট মতুংইন্না মেদিকেল ওফিসর অমদি পুলিস ওফিসর য়াওনা মরী লৈনবা খুদিংমক্ক মরাল লৈরবা মীওই কনখৎনবা হোৎনরে হায়রি।

অল্লাহবাদ হায় কোর্টনা উনাও রেপ কেসতা চেন্নবা বি জে পিগী এম এল এ কুলদিপ সিংহ সেঙ্গার ফানবা য়াথং পীখ্রবা মতুংদা সী বি আইনা এম এল এ অসি ৱাহং পাউহং চথখ্রবনি।

## /খঙহঞ্জবা

**VOICE OF NAMBOL SOCIETY** কৌবা Society অসিগী ওফিস অসি কদায়দা লৈবগে? মমাংদা মমীং অমুক্তা তাখিদ্রি। করিগুম্বা সোসাইটি অসি লৈরবদি লাক্লিবা মেগী তাং ৬, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা Development & Protection, United Voluntary Organisation, Nambol গী ওফিসতা করিগুম্বা ৱাখল তামিন্নদবা অমগী মতাংদা খন্ননবা মীফম অমা কৌজরি। মীফম অসিদা শোয়দনা শরুক য়াবিনবা নোল্লুকচরি। করিগুম্বা লাকপীদ্রবদি সোসাইটি অসি নম্বোলদা লৈতে হায়না লৌজগনি।

*Sd/-* **Thokchom Lamjingba**
***Secretary,*** Development & Protection, United Voluntary Organisation

*HL-P/1191/3*

## COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

## ORDERS

**Imphal, the 2nd May, 2018**

**No. 3/3/2009-HSC(Vol-V):** In pursuance of resolution 2.2 of the Council meeting held on the 26th September, 2017 and in supersession of all previous orders issued in this regard the **Design of Question Paper of the 44 subjects** (given in the enclosed Annexure) for Classes XI & XII will replace the existing ones and the same will be implemented with effect from the session, 2018-2019 in both Class XI and Higher Secondary Examinations of the Council.

All the concerned are, therefore, requested to do the needful accordingly.

*Sd/-* **Dr. M. Bidyasagar**
*Secretary,*
Council of Hr. Sec. Edn., Manipur

*HL-B/4602/3*

## /দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শগোলমাংগী জে এ সীদা শৌগৎচরি

হৌখিবা তং ২৮/০৪/২০১৮ ইং, থাংজ নুমিৎকী লোকেল দেলি হুইয়েন লানপাউ দা *"খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা লোকেল ক্লবস, দিভেলপমেন্ট কম্মিটিশিংগী অপুনবা মীফম অমা ফমদুনা District Hospital, Imphal East, Sagolmang গী মতাংদা খন্নগনি"* হায়না ফোংখিবদুদা য়াওখিবা ঐখোয়গী ক্লব **The Nongsum Yakairol Leishem Youth Club** অসিনা হায়রিবা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী ক্লবস অমদি দিভেলপমেন্ট কম্মিটি ৫৪ গী হৌখিবা তাং ২৯/০৪/২০১৮ ইংদা শগোলমাং-খেৱা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা শরুক য়াখিদে। হোস্পিটাল হোংবগী issue অসি হেক লাকপদগী হীরম অসিগী মতাংদা শেমখিবা JAC Against Unnatural Shifting of Imphal East District Hospital, Sagolmang না পুকচেল শেংনা অমদি পরিং চুম্না চংশিল্লক্লিবা মীয়ামগী খোঙজংদা থাজবা থমদুনা লাকই। লোয়নননা জে এ সীগী মখা তাবা খোঙজংশিংদসু The Nongsum Yakairol Leishem Youth Club না অখাকপা লৈতনা শৌগৎচগনি।

*Sd/-* **Y. Basanta Singh** ***President***
**E. Sanayai Khanganba** ***Secretary***
The Nongsum Yakairol Leishem Youth Club

*HL-P/1188/3*

## PILES TREATMENT

**NEXT TO IMPHAL BAZAR COMMUNITY CREMATION GROUND MINUTHONG & KAKCHING BAZAR, PHUNGA SHOPPING COMPLEX, 1ST FLOOR NEAR TRAFFIC POINT, KAKCHING DIST.**
**মায় পাক্লা লায়েংজরি**



**PH. ALAM**

PILES : খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নাম্থবা, ঈ তাবা, মনুং-মপান্দা পোম্বা, মচুম তাবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজদা মরেং-মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বদা অকনবা অমদি মরু-মরু ওইনা হাম্বা অসিনচিংবা।
GASTRIC : চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, পুক নাবা, থিনবা, শাওবা, খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা।
STONE CASE : পুক থিনবা, নাবা, শাবা, খ্বাঙ নাবা অসিনচিংবা।
SINUS : নাতোন মরেং মরেং চৎপা, নাতোন্দা মহি তাবা, নাতোন ফুনবা, কোক চিকপা, হকথি তোয়না খনবা অসিনচিংবা।
LIVER, JAUNDICE, SUGAR : প্রোব্লেমনচিংবা লায়েংজরি।
BODY PAIN (PARALYSIS) : খোঙ-খুৎ হকচাংনচিংবা শিথবা, হকচাং শিন-থুংনা চিকপা নাবা, তাং-তাং চিকপা, শীংলি-শীংনাও শোনবা, কোক চিকপা নাবা, পোম্বা, শারগা পোম্বা অসিনচিংবা লায়না কয়া মায় পাক্লা লায়েংজরি।

**MOBILE NO. 8787579776/8259968220**

*HL-P/1009/13/4-13/5 (alt.)*

## /মপান্দা চেকখাইবা, হক্কৎচবা, অমাংথোং চেকখাইরগা ঈ থোক্লকপা, নাই চারগা পোম্বা, মখুল হুৎলকপা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা মপান্দা চেকখাইবা হক্কৎচবা, অমাংথোং চেকখাইরগা ঈ থোক্লকপা, নাই চারগা পোম্বা, মখুল হুৎল্লকপা অমদি য়াম্না থুপ্পা, খোং হাম্বা মতম কুইনা চংবা, খোঙ হামদোক্তদুনা নুংদা গ্যাষ্টিক কারগা য়েকপা-থিনবা তৌবা, ফেসতুলা মনুংদা পোম্বা অমদি হেমেরোয়র্দ মনুংদা চাথৎলগা লায়না হেঞ্জিল্লক্লগা অমদি খুৎনা ইনশিনবা চঙদ্রবা পদ্রাক পদ্রাক তারবা, ওপরেসন তৌরুরগা হৌরকপা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম ☎ ৮৪১৩৮৭০০২৭/৮৮৩৭৪৯৬৪৬৯** দা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিনবু পুন্সি চুপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না হন্না হন্না পাউচেগী থোংদা থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.

*থাগৎচরিবা :* **Robind Yumnam**
*Pourabi*

*HL-P/1156/3*

## / BANK PASSBOOK LOST

I have lost my Bank Passbook of State Bank of India, Manipur High Court Branch bearing Account No. 33041039399 on the way from Heingang Awang Leikai to Mantripukhri on 27-04-2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Ningthoujam Bijoy Singh**
Heingang ☎ **7005132713**

*HL-P/3297/3*

## J.N. INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES, POROMPAT, IMPHAL EAST

## ORDERS

Imphal, the 2nd of May, 2018

**No. 01/514/Appointment of Asst. Prof, JNIMS/2017:** In partial modification to this Institute's notification of even number dated 27/04/2018, for appointment to the post of Assistant Professor in the Department of Pharmacology, Microbiology and Pathology, the Eligibility mentioned at Para No. 2.(i) and (iii) is substituted as below :

(i) **Essential Qualification :** As per Medical Council of India, Minimum qualifications Teachers in Medical Institutions Regulation, 1998 as amended from time to time.

(ii) **Teaching and Research Experience:** As per Medical Council of India, Minimum qualifications Teachers in Medical Institutions Regulation, 1998 as amended from time to time.

2. The above mentioned provisio shall be deemed to have been substituted ab-initio.

*Sd/-* **Prof. Th. Bhimo Singh**
**Director, J.N. Institute of Medical Sciences**

*HL-B/4598/3*

## /শেংদোকচবা

Imphal East District Hospital, Sagolmang দা শাননবগীদমক্তা জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজং নত্তনা অতোপ্পা ওর্গনাইজেসন অমত্তদা সপোর্ট তৌবা লৈতে। হোস্পিটাল অসিবু শাননবগীদমক্তা জে এ সীনা হোৎনরিবা অসিদা অতোপ্পা ওর্গনাইজেসন খরনা চমম্নবা হোৎনদুনা Naharol Lamjing Youth Club Yengkhuman বু লান্না খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মীয়ামদা উননবা হোৎনবীগনু। জে এ সীনা হোৎনরকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তা ক্লব অসিনা থৱায় হকচাং য়াওনা সপোর্ট তৌজরি।

*Sd/-* **Th. Ibungo,** ***Secretary***
Naharol Lamjing Youth Club,
Yengkhuman

*HL-P/3299/3*

## CAS Foundation

An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

**ADMISSION OPEN**

**FOUNDATION COURSE**

**CLASS XI & XII**
(Physics, Chemistry, Maths, Biology & English)

**CLASS X**
(English, Maths, Science, Social Science & Manipuri)

**SPECIAL FEATURES:**
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oreinted test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2019 final exam.

**Facility of:-**
# Morning Batch
# Evening Batch

**Seats are limited Fiirst come First Served**

VAN service & hostel for BOYS & GIRLS available

**For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal**

*HL-B/4553/27-31&1-10May*